# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-44

**(Ecological Impact:- On forest, natural resources, etc.)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) লৈশেন্বা -স্কুল ওজা (২) পারিহেনবা - ফোরেষ্ট ওফিসার
(৩) অঙম - ফোরেষ্ট গার্দ

নুপী:- (১) সনা তন্ফা - লৈশেন্বগী মমা
(২) হোইনু - অঙমগী মচলনুপী

(মতম:- লৈশেন্বগী য়ুম, মতম:- অয়ুক, লাপ্পা নুংশিবা ঈশৈগী শুর তপ্পা তাবা)

লৈশেন্বা :- সনাতন্ফা ! কৈদৌরে নঙদি অয়ুক ঙন্তা হৌগৎখ্রগা মাঙ্গোল দারিদুদা নখোঙ য়ান্থদুনা ফল্লগা চিন্তা তৌদুনা লৈরল্লিসিবো... কৈদৌরগে হায়বনি।

সনা তন্ফা :- (স্বর হোন্দোক্লগা) ঙরাং অহিংগী খংহৌদনা হৌরকপা অকনবা নোংলৈ অদুনা ঐখোয়গী থোঙ্গাল ময়াদা হৌবা অঙাংবা মপালনা পুময়োম য়োম্না শাৎলবা কুরাও পাম্বীদো মরু ফুকতৎপিদুনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরে, কুরাও পাম্বীসিদা তোংদুনা নুংঙাইনা চীলোক্লজরম্বা খোইনিং লাবা অমোমদুসু ঙসিদি পাইরক্তরে।

লৈশেন্বা :- হোয়নে, নুংঙাইনা উশা অমদগী উশা অমদা চোং ফন্দুনা শান্নজরম্বা মখোয়দো ঙসিদি কদোম মায়কৈ পাংখ্রবনো খঙদরে, ঐসু পুক্লিংসে নুংঙাইত্রবনি, থোঙ্গালসিসু পুমহাং হাংলে।

সনা তন্ফা :- ঙরাংগী নুংশিৎতু অদুক কন্না শিৎলক্কনি হায়বা থাজরুদে, মমাংগী তাদা তোম্বহোয়গী শঙ্গোয়গী জীঙ্ঘাদু পায়থোরক্লগা ইচে সনাহনবীহোয়গী শুমাংদা তাই হায়।

লৈশেন্বা :- ইস ! মীগদি অশোক অপন য়াওদে হায়বরা?

সনাতন্ফা :- মীগদি থোইদোকপা অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রবা মাল্লে, ঐখোয় স্বাইদদা নৎতনা অতোপ্পা মফমশিংদসু অতেক-অকাই, অশোক-অপন য়াম্না য়াওনরমগনিবো।

লৈশেন্বা :- খঙদ্রে খঙদ্রে হৌজিক্কী মতমসে, নুংশিৎ অকনবা, নোংলৈ নুংশিৎ অখাক-অরাও অসিদি শজিবু থাদনা অয়াম্বা তৌনবনি অদুবু হৌজিক্তি অইং-অশা, নোংজু-নুংমশাগী ফীভমসে পুমওন ওল্লে মহৌশাগা য়াম্না খেন্নরেদা।

সনা তন্ফা :- অতৈ লায়রি মোয়বাবা, নচানুপানা মাগী থবক মফমদা লৈখ্রিবসিবু, মখোয় অদুৱাইদদি করিসু তৌরল্লোইদরা, ঐদি পুক্লিংসে ইপা পাখৎলি।

লৈশেম্বা :- মাবুদি করিসু তৌরল্লোইদা, মানা য়ুমসিদা হল্লকপদা মানা লুনা নুংশিনা থমজবা অঙাংবা কুরাও পান্বীসিনা লৈরমদ্রবদা মানা নুংঙাইরোইদবদো খল্লুবদা ঐদি তৌফম খঙদ্রবনিনে।

সনা তম্ফা :- করিদি উপাই লৈরি মহৌশানা পীরকপা চৈথেংদগী ঐখোয়না করম্না নাম্থোকপা ঙমগনি, মখোয়গী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতগী অমুক চারা লৌদুনা থাজিনবা হায়বদুনি।

লৈশেম্বা :- হোয় হোয়, হন্দক্তি ঐখোয়গী থোঙ্গাল চংলকফম লন্বীসিগী নাকল পরেংসিদা ঐখোয়গী লমদম অসিগী লাইগী থৌরমশিংদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পান্বী মখলশিং লোয়নমক শুনবা থাবা তারে।

সনা তম্ফা :- হান্না অমুক্তা থোঙ্গালসিদা ফৈনা তাদুনা লৈরবা কুরাও পান্বীসে মফম চানা অমুক্তা লোইশিনবীরু।

লৈশেম্বা :- ঐ পাখং মচা অমা অনিদং কৌরুখিগে মোয়গা লোয়ননা শেংদোক খোৎতোকপগী থবকশিংসে তৌমীন্নদ্রবদি ইতোমতদি কদায়দগী ঙমগনি, ওন্থোকপা দশানি কদায়দগী কদোমদগী হৌরকপা নুংশিৎনো খঙদে, মীগী ফজনা হৌদুনা লৈজরিবা পান্বীসিবু হেক্তা থুদেকপিরিসিবো (চৎখিবা)।

সনা তম্ফা :- ঐসু স্বাইদা কেনলিবা উনা ময়ামসে অমুক্তা শিৎচিনখিগে (ৰাই শিৎপা, গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল) ... হায়মা ইবুংঙো কৈদৌরে নঙদি অসুক ঙন্না লাকইসিবো, নঙবু মতম খরদি নঙগী থবক পোষ্টিং মফম, উখুল ফোরেষ্ট দিভিজনদা লৈগনি হায়রম্বদাইনে।

পারিহেনবা :- ঙরাং অহিংগী নুংশিৎতুনা ঐনা লৈরিবা ক্বাটরগী অকোইবা চীংমায়দুদা হৌরিবা উ পান্বী কয়া মরু ফুকতৎপিদুনা লোয়নমক তু তুদুনা লৈহৌরে, ঐখোয় স্বাই তম্পাকলমসিদসু নুংশিৎ শিৎখিবগী পাও ফংবদুদা মল্লিঙৈদগী হৌগৎতুনা গাড়ী থৌরগা হেক্তা লাক্লবনি। ঐখোয় থোঙ্গালগী কুরাও পান্বীসিসু মরু ফুকতৎপিরল্লবকো ঙরাংগী নুংশিৎতুনা। ঐখোয় বাবাদি চৎথোকখ্রবরো।

সনা তম্ফা :- পারিহেনবা ! নপাদো হৌজিক্তা লৈকাই পাখং খরা কৌরুরগা থোঙ্গালদা তাদুনা লৈরিবা উসে থাংদোকমীন্ননি হায়দুনা থোকখিবদা ঙাইরিবনি।

পারিহেনবা :- ইমা ! তেকখ্রবা উপালশিংসে অমুক য়াম্না থুনা থাজিন্দুনা মপুং-মরৈ ফারবা উপালশিং চহি খরসিগী মনুংদা ওইহনলক্লবা হোৎনদবা য়াদবনি, ঙসি মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা কার্বোন দাইওক্সাইদ থাদোরকপগী চাং ৰাংখৎলক্তুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী মহৌশাগী লৈজরম্বা অইং-অশা, নোংজু নুংশাগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া লাকপদগী লেংলি পাল্লিবা উপাল-ৰাপাল, হৈপাল-লৈপাল, শা-ঙা অমদি মীওইবশিংগী পুন্সিদা চাওনা অমাংবা ওইহল্লক্লি।

লৈশেম্বা :- সনাতম্ফা ! উরোং শুমজিৎতু অমুক্তা পুরকউনে ... তারবো নঙবো...।

সনা তম্ফা :- ইবুংঙো নপা লাক্লমাল্লে, লাকও থোঙ্গাললোমদা চৎসি লাকও, করিগীনো নপানা উরোংশুমজিৎ পুরকউ হায়রিসিবো করি অমুক শিৎ-শেংগে হায়রিনো খঙদে।

পারিহেনবা :- বাবা ! সে উরোংশুমজিৎ হায়দু সিদা লৈরে।

লৈশেম্বা :- এ ! নঙদি করমকান্দা লাক্লিবা, নঙনা পামজনা থমজবা পাম্বীসে নুংশিৎনা থুদেকপীরবনিনা স্বাইদা চাইরিবা উনা-ৰানা উশাশিংসে লোয়না খোমজিনলগা ইপা মৈ থাদোক্কে, ইচাই চাইদুনা লৈবসে য়েংবা নুংঙাইতরে।

পারিহেনবা :- বাবা ঐ হৌজিক্তা য়ৌরকপদা ঙাইইরিবনি, অদো বাবা ! উনা অমদি উশাশিংসে মৈ থাদোকপগী মহুৎতা ফজনা খোমজিন্দুনা মফম চানা পৈশিনলগা কম্পোষ্ট শেম্লসি, উনা-ৰানা, উপালশিং মৈ থাদুনা কার্বোন দাইওক্সাইদ ময়াম থাদোরক্তুনা নুংশিৎতা তিনশিনখিদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদা মতেং পাংশিনহ্‌গদবগী শরুকপুদি উনা-ৰানাশিং অসিদগী কান্নবা লৌবনা ফৎতরা।

সনা তম্ফা :- হোয়নে মোয় বাবা, ইচানা হায়রিবসিনা ফৈনে, ঐ উনাশিংসে খোমজিনবা হৌরেকো কম্পোষ্ট শেম্নবা।

লৈশেম্বা :- হোয় হোয় মদুনা ফরনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: চীংগী খুন, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

হোইনু :- অঙম ! সার পারিহেনবদু ময়ুমদা চৎখিবদুবো কৈদৌঙৈ লাক্কনি হায়বগে।

অঙম :- নহালদি য়াম থুনা লাক্কনি হায়দুনা চৎখিবনি, কৈদৌরবনো খঙদে, অনা-অয়েক য়াওরবরা হৌজিক ফাওবা লাকত্রিবসিনদি।

হোইনু :- ফোন তৌরগা অমুক্তদি হংঙুদনা করম্বা মতমদা লাক্কনি হায়না।

অঙম :- হোইনু ! ঐনা হংদ্রবসু নঙনা অদুম ফোন তৌরগা হংবা য়াদবরা?

হোইনু :- ঐদি ইকাইদা, ঐনা করি মরমগী করি হায়না হংগদৌরিবনো, নঙদি সার পারিহেনবগী মখাদা থবক তৌবা মীনি নঙনা হংবদি মরম লৈবগী হংবনিনা করিসু কায়দে।

অঙম :- অদুদি নঙ করিগীদমক সারগী মরমদা খঙনিংবনো?

হোইনু :- করিসু নৎতে হায়বনি চুম্নসুম হংবনি, নঙবু থবক চৎপা থেংদ্রিবরা।

অঙম :- থেংলবনি, ঙসিদি আ উমং মনুংসু য়ৌনা চৎকদবনি, মশক খঙদবা মীওই খরনা উজাও ময়াম অমসু য়ানথৎলগা অহিংদা লোন্না পুথোকখরে অদুগা শা ফানবা লাংসু থাক্তুনা শা ফাবগী থবকসু মীওই খরনা লোন্না লোন্না তৌরে অদুনা ঐখোয় ফোরেষ্ট গার্দশিংনা চেকশিন্না য়েংশিন্নবা হায়রম্বনি, সারনা নঙগী চাক থোংবদুবু লোয়দ্রিবরা ঐ চাক খজিক্তং চারগা চৎলগে।

| | | |
|---|---|---|
| হোইনু | :- | সে চাক ফোং ফোং শাবসিগা ঐখোয়গী পামদা পানবা মাইরেন থোংবসিগা চারো। (গাড়ী খামখিবগী মখোল) এ ! অঙম মপান্দা কনানোমা লাকপা মাল্লে, সার লাক্লবজাৎনা। |
| পারিহেনবা | :- | অঙম... হোইনু... ঐ লাকএ ! |
| হোইনু | :- | (থোরকপা) এ ! সার চংবীরকও, অঙম ইমুংদা লৈয়ে। |
| অঙম | :- | সার ঙহাক্তং ফন্বীয়ো, ঐ চাক খজিক্তং চাজরকখিগে অদুগা অদুম চৎমীন্নখ্রসি। |
| পারিহেনবা | :- | ঐগী ক্বাটরদগা অমতা চংলমদ্রিবনি ঐ, অয়ুক ঙন্তাদগী সি য়ৌননবা গাড়ী থৌরকপনি করিমতসু চারক্ত্রি, হোইনু ঐসু চাক খজিক্তা চাখিগেদনা ঙসিদি। |
| হোইনু | :- | সার ! ঐখোয়গীদি অহাওবা চাক এঞ্জাং নৎতে, সারনা চাবা হৈনরোইদা, চা ওইনা লোনজরক্লগে। |
| পারিহেনবা | :- | অঙম ! নঙগী চাক শরুকসে ঐ চাথোক্লগে, হোইনুনা চাক খজিক্তং পীজৌ হায়বা য়াদ্রবনিনা। |
| অঙম | :- | সার ঐনা চাবা হৌগৎলুরে, সারনা চাবা নুংঙাইররোই সিদি। |
| হোইনু | :- | সে সার, সারনা হংগোইবীদ্রবদি চাকসে চাবিরো, হাওত্রবসু হাওই খন্না অদুম চাবিয়ু, ঐদি চাক থোংবসু কয়া হৈজদবনি। |
| পারিহেনবা | :- | ঙসাইনা শুমাইনা পীজরদি ফদৌবা... (চাবা) উম হাওইহে ঙসিগী মাইরেন থোংবসিদি, হোইনু উ মোরোক লৈরদি অমতা পীয়ুদনা। |
| হোইনু | :- | সার ! উমোরোকপুদি লৈ, অদো সার উমোরোক চারগা হোরেল পুক শারগা ঐঙোন্দা তাইনবদি য়ারোইকো। |
| পারিহেনবা | :- | তাইনরোইদা, অঙম ! চাকসু চারবনিনা, ঐখোয়গী ফোরেষ্ট জুরিদিক্সন এরিয়াশিং য়েংশিনবা চৎকদবদু ঐগা পুল্লপ হেক্তা নখোয় ফোরেষ্ট গার্দশিংগা লোয়নদুনা চৎমিন্নরসি। |
| অঙম | :- | হোয় সার, ঐ ঐখোয়গী কাংবুশিং অদু থুনা লাক্লবা ফোন তৌখ্রগে। |
| হোইনু | :- | সাহোয়না উমং মনুংদা চংদুনা থীজিন-খোৎচিনবা চৎপদু ঐসু য়াম্না লাক্লিংঙি, ঐসু লাকপা য়াগদরা? |
| পারিহেনবা | :- | নোংমা তাঞ্জা চাবদা পুবিগে, ঙসিদি লাকঅনু। অঙম নখোয়গী কাংবুদুবু লাকঅনি হায়রক্লবরা, পুংসে থেংখ্রেনে। |
| অঙম | :- | সার, ফোনসিসু নেটৱার্ক নুংঙাইতে, অস্বাইদা চৎথোক্লগা অমুক ফোনসে ফংবরা য়েংগে। |
| হোইনু | :- | সার ! ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা উখিবা ঐখোয়গী উমংগী শক্তমদুগা হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নবদৌনা তৌরে। হান্না মরাং কায়না হৌরম্বা হৈপাল-লৈপাল অমদি উপাল কয়া নোংমা নোংমগী অসুমক মাংশিনলক্লি। |

পারিহেনবা :- অচুম্বনি হোইনু নঙনা হাযরিবদু, মালেমসিদা শাবা হেনগৎলকপদগী হায়বদি গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ঐখোয় স্বাইগী উমং-ৱামংগী শক্তমখক্তা নৎতনা মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা উমংগী শরুকশিংগী শক্তম নোংমা নোংমগী অসুমক কাইথরক্লিবনি।

হোইনু :- শাবগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লবনিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওজরম্বা ঈশিংগী শরুকসু অসুম কংখিদুনা ইকং থোক্লে, চীংমায় থন্না শাৎলম্বী রোহদোদেন্দ্রোন লৈরাংশিং শাৎপগী চাংসু হন্থরক্লে, শাৎপগী মতমদসু অহোংবা লৈরে, পুম্নমকসে সার ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরি লৈনবরা।

পারিহেনবা :- উম য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী নোঙজু-নুংশা, অইং-অশাগী চাংদা অকায়বা ওইরকপদগী পাম্বী অমদি শা-ঙাশিংনা মখোয়না হান্না লৈজরম্বা হৌজরম্বা মফমশিংদা লৈবা ঙম্লক্তবা, হৌবা ঙম্লকবদগী উমং-ৱামংগী বাইওদাইবরসিটিদা চাওনা অকায়বা অহোংবা ওইনহনলক্লিবনি।

হোইনু :- চীংগী লমশিংদসু নীংথমথাগী মতম তেনশিনলকপা, কালেনগী মতমনা শাংদোরকপা মরম ময়াম অমা ওইরক্লি, য়েংঙুনে সার চীংগী অনেম্বা শরুকশিংদা হৌরম্বা ঊচান পাম্বীশিং অসিসু অসুম অৱাংবা মফমশিংদা পাক্লা শন্দোকখ্রি, পাম্বীশিং অসি হান্না হৌরম্বা মফমশিং অসিদগী অসুমক নোংমা নোংমগী মাংশিনলক্লি। পাম্বীশিং অসিগা লোয়ননা হীংজরম্বা তীল-কাং, উচেক-ৱায়া কয়াগী পুন্সিদসু চাওনা অকায়বা ওইহনলক্লি, পুম্নমকসে ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইহনলক্লিবনি (নুংঙাইতনা হায়বা)।

পারিহেনবা :- হোইনু ! ঙসি মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনলক্লিবা অসিগী চাওরবা মরমদি ঐখোয় মীওইবনি, ঐখোয় মীওইবশিংনা ইশাগী নুংঙাইনবতা খল্লি তুঙদা করি থোক্লক্কনি হায়বদি খক খন্দে। ঐদি উমং-ৱামং অসিবু য়াম্না নুংশিজৈ, উমং -ৱামংনা ঐখোয় থৱায় পানবশিংগী থৱায়নি, ঐনা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিসতা চংলক্লিবা অসিসু উমং-ৱামং অসিবু কনবদা থৌদাং খরদা ওইরসু য়াজবা ঙমগদরা খনবদগীনি।

অঙম :- সার ! ঐখোয় লোয়না সুরে, চৎপা য়াররনি সার চৎলসে।

পারিহেনবা :- হোইনু ঐখোয় অমুক চৎলুখিগে, নঙগা ৱারী শান্নবসি য়াম্না নুংঙাই, নোংমা অমুক লাক্কে।

হোইনু :- অহোয় সার লাকপীয়ু, মথং লাকপদদি এঙ্খাং অহাওবা অমা থোংলগা পীজগে।

-ম্যুজিক-

(মফম:- চীংচেপকী লম্বী, মতম: নুমিৎ য়ুংবা মতম, চীংনুংগী উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

অঙম :- (চীং লম্বী কারকপা) সার ৱাবা মাল্লে, হৈবোং পাম্বীসিগী মখোংদা ঙহাক্তং ফমখিসিরা?

পারিহেনবা :- নুংশানা শাগৎলকপনে ঙহাক পোথাখিসি, ঈশিংসু খৌরাংবনা লোইরে, ঈশিং বোট্টলসিসু ঈশিং অমতা য়াওদরে।

অঙম :- ঐখোয়গী কাংবু অথোয়হোয়, অখমহোয়দুসু চৎখৎলল্লো হায়দুনা চৎখৎহনখরে, মখোয়দদি ঈশিং বোট্টল য়াওখিবনি। সার ! ঐ অস্বাইফাওদং চৎলগা লোক্কী ঈশিং অশেংবা ফংবরা য়েংঙুচোরা।

পারিহেনবা :- হুম ! য়েংঙুরনু স্বাই অনকপদা ঈশিং অমতা ফংলরোই, লোক অয়াম্বা লোয়না কংখ্রবনি, ঈচেল লেপখ্রবনি, ঐনা মমাঙ চয়োলদা স্বায়গী অকোয়বগী ফীভম অথোয়গা লাক্তুনা য়েংশিনলবনি।

অঙম :- সার ! হন্দক চহিসিনাসু অমুক্কা হেন্না শাগৎলকপদৌনা তৌরে, উপাল-ৱাপালশিংসু অয়াম্বনা লেপকং কংশিনলকপদৌনা তৌরে, খুলসিগী মফম অয়াম্বদসু ঈশিং ফংনদবগী অৱাবা মায়য়োক্লরে, থক্লবা ঈশিং খরদং ফংনবগীদমক কিলোমিটর মরি-মঙা লাপ্না ঈশিং শোকপা চৎনরি।

পারিহেনবা :- (স্বার শাংনা হোন্দোক্লগা) অঙম ! ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা উমংগী মফম অয়াম্বদা নোংজু-নুংশা, অইং-অশাগী চাং কায়রকপদগী উমংগী পোৎথোকশিং হন্থহনলকপদা নৎতনা, খঙহৌদনা উমং মৈ চাক্লকপা, অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপা, তীল-কাং কয়া মশিং কা হেন্না হেনগৎলক্তুনা উপাল-ৱাপাল কয়াদা লায়না তীন্না কয়া থোকহনলক্লি। অসিদসু নৎতনা কাহেন্না নোং চুরকপদগী চীং নিংখাইবনচিংবসু মালেমগী মফম অয়াম্বদসু থোরক্লি।

অঙম :- সার ! ইং ২০০৭ দা *পাইন বীতল* হায়রিবা তিল অসিনা কোলোরেদোগী উমংগী শরুক একর ৬৫০,০০০কী মফমদা হৌবা উ পাম্বীশিং পাকতক্লনা মাংহনখিবা অমদি স্প্রুস বীতলনা সার্উর্দন আলাস্কা অমদি ৱেষ্টর্ন কনাদাগী উমংগী শরুক মিলিয়ন একর ৩.৭ রোম হেনবগী মফম মাংহনখিবা অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী ওইবা তারেকো।

পারিহেনবা :- উম ! অচুম্বনি, ইং ২০১১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী উমংগী শরুকশিংদা ৱাইল্ড ফাইয়র হায়বদি খঙহৌদনা হৌরকখিবা মৈনা উমংগী শরুক মিলিয়ন একর ৮ লোমসু তুম্না মৈনা চাকখি। অসিদসু নৎতনা হ্যুরিকেল, আইচ ষ্টোর্ম অমদি ৱিন্ড ষ্টোর্মনা উমংগী শরুক কয়াসু মাংহল্লি। ইং ২০০5 তা হ্যুরিকেন রিতা অমদি কাত্রিনানা মরম ওইরগা উমংগী শরুক একর ৫,৫০০ রোমগী মফমশিংদা অমাং-অতা থোকহনখি।

অঙম :- মালেমগী অইং-অশাগী চাং চানা থম্লবা হোৎনগে হায়রবদি, সার ! ঐখোয়না উমং ৱামংগী মহৌশাগী ফীভম ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসিমক য়াম্লমক মরু ওই। ঐনা লাইরিক লাইশু অৱাংবা থাক য়ৌনা তমহৌদ্রবসু ইচম চম্বা ফোরেষ্ট গার্দ অমা ওইনা থবক তৌজরিবসিসু উমং-ৱামং অসিবু কনবদা থৌদাং খরদং ওইরসু য়াজবা ঙমজনবনি।

পারিহেনবা :- অঙম ! ঐনা নঙবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি, নখোয়গুন্বা মীওই কয়া মালেমসিদা মশিং য়াম্না লৈরক্লবকান্দা মালেম অসিবু কনবা ঙমগদৌরিবনি, লাকও ঐখোয়সু অমুক চৎলসি, থেংথ্রনি।

অঙম :- (পাখৎনা লাওবা) সার ! অসোম মায়কৈদা উনা অকংবা মপৈ-মপৈ তাদুনা লৈরিবা অসোমদা মৈ চাক্লে... মৈ চাক্লে সার... সোমদা সোমলোমদা লাকপীয়ো (পাখৎপা)... (মৈ ঙরং ঙরং চাকখৎলকপা)..।

পারিহেনবা :- অঙম ! মৈ চাকপসে অসুম অসুম হেনগৎলক্লে, উপাল কয়া মৈনা তুম্না চাকখিবা তারে (নুংঙাইতনা হায়বা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: লৈশেম্বগী য়ুম, মতম: অয়ুক, রেডিওদা অয়ুক্কী লাইশোন ঈশৈ লাকপগী মখোল তাবা)

সনাতম্ফা :- ঙসাই মল্লি মল্লি তৌরিঙৈদগী ৰাঙ্কিং চৎকনি হায়দুনা চৎখিবা মপাদুসু য়ুমদা হনজিল্লক্কনি কাওখ্রমাল্লে, পুং মাপল তারক্লসি ফাওবা হনজিনলক্তেনে, হুম মচানুপা নাইতোম পোকপদুসু ঐখোয়দি ফোরেষ্ট ওফিসারনি হায়দুনা য়ুমদগা লাক্কনি কাওখরে মাগী উমং-ৰামং শেন্নবদা মমা ঐবু মীকুপ অমতং ফাওবা নীংশিংনবা মতমগা ফংদ্রবমাল্লে, চাওখ্রবা য়ুম অসি শংননবা মোয় মপা মচানা থম্বা মীদু ঙাইরে ঐসে (শাওরি শাওরি ঙাংবা)।

লৈশেম্বা :- কৈদৌরগে সনা তম্ফা, অদুক শাওরিদুবু কনানা করি হায়রক্লগে।

সনা তম্ফা :- কনানা করিবুদি হায়রকউনি ঐঙোন্দা, য়ুমদগী মপাল থোক্তবা মী তীন্নদবা ঐদি কনানা করি তৌরি, কদায়দা করি থোক্লিগা অমতা খঙজদেদা, হো ঐখোয়দি হৈবোং মনুংদা লৈবা তীলদুগুম্বনি, মানা লৈরিবা মফমদুদগী হেন্না করিমতা খঙদা উদবাদুগা চপ মান্নরবনে ঐদি, নপা নচানা চাওরবা ফজরবা য়ুম অমা শাবীরে, য়ুমসি য়েংশিন্নবা ঙাক শেন্নবা থল্লিবা নৎতরো নখোয়না ঐসিবো।

লৈশেম্বা :- কৈনোনে সনা তম্ফা, ঙসিসিবু নংবু অয়ুক ঙন্তা লাই ওক্লরবরা হায়বনি, ঐসু য়ুমসিদা খোঙ থাংজিংলকপদা ঙাইরি হান্না লৰায় লেম্ফুসিদা লাকইসিবো, নঙনা চৎনিংবা মফমদা চৎলু, তিন্ননিংবা মীশিংগসু অদুম তিন্নৌ নঙোন্দা কনানা অথীংবা পীগেনে।

সনা তম্ফা :- হো কনানসু অথিংবা পীদ্রবসু ঐখোয়দি য়ুমসি কদায়দা করি শোয়খিগদগে, করি অমাং-অতা থোকখিগদগে খনবদা খোংকাপ অমা ফাওবা কান্থোক্তুনা চৎপা ঙমজদ্রবদো, নচানুপাদুসু মাগী থবক মফমদা লৈখিবদুদগী চেক মোক লাওরক্তে, ঙহাক্তং লাক্তুনা য়ুমসিদা করি তৌরমগনি য়েংশিনলবদি লায়রদনা ফোন ফাওবা তৌরক্তেনে।

লৈশেম্বা :- অদো শাওবগী মহুৎতা নঙনা নচানুপাদুদা ফোন কোক তৌরগা হায়নিংবা ৱা, হংনিংবা ৱা পুম্নমক হংবদি কৈদৌই নঙদি।

সনা তম্ফা :- হোয়নে মদুনা ফগদৌবা মাল্লেবো, ফোনদুনা কদায়দা অমুক লৈখ্রগেনে তৌরিসে, ঐবু স্বাইদা হৌজিক্তা থনমদাইনে, কোকসিসু বেরা লৈরমাল্লেদা ঐসে, হৌজিক হৌজিক পাইরম্বা তৌরম্বা থবক্কসে লোয়না কাওরেদা।

লৈশেম্বা :- সে সে ঐগী ফোনসিদা ওইনা ৱারীদো শান্নরোসে, ডাইল তৌরবনি নঙগী ফোনদু কোন্না মেন তানা তপ্না থীরো।

সনা তম্ফা :- ফোনসিসু রিংদি চৎলি পাইরক্তেনে... অমুক্কা ডাইল তৌরগা য়েংগে।

হোইনু :- হল্লো... হল্লো... হল্লো...

সনা তম্ফা :- এ ! ঐনা তৌরিবা ফোনসিবু ওন্নরবরো ... ইচানুপাদি পাইরক্তেনে, কনানো নুপী অমা পাইরকইসিবো...।

হোইনু :- হল্লো... কনা ওইবিরবনো...।

সনা তম্ফা :- ফোন পাইরকইসিবু কনানো? সিবু পারিহেনবগী নৎতবরা... কনানো সোমবো...।

হোইনু :- ফোনসিবুদি সার পারিহেনবগীনি... ফোন তৌবীরকইসিবো কনানো?

সনা তম্ফা :- ফোন তৌরকইবা ঐসে নঙনা সার পারিহেনবা হায়রিবদুবু পোকপী মমানিনে, ইচাগী ফোন পাইরকইবা ইবেন্মবু কনা ওইবিরবনো?

হোইনু :- এ ! সারহোয়গী ইমা ওইরে, ইমা ঐ খঙজরুদরে ৱারৌবীনুকো, ঐ সারগী মখাদা ফোরেষ্ট গার্দ ওইনা লৈবা অঙম হায়বদুগী মচলনুপীনি...।

সনা তম্ফা :- ওহ ! অঙমগী মচলনুপী অদুদি নঙ হোইনু হায়বীদুরা, করিগীনো নঙনা নোয়গী সারগী ফোন পাইরকইদি?

হোইনু :- মানি ইমা ঐ হোইনুনে, সার পারিহেনবগা ঐখোয়গী ইবুং অঙমগা আ চীংনুংদা লাং থাক্তুনা শা ফাবা মীওই খরা লৈরে হায়দুনা পাও পীরকপদগী থীজিনবা চৎখিবনি, সারগী ফোনদি অদুম কাওদুনা পুখিদ্রবামাল্লে, ঐনা সারগী ক্বাটর শেংদোক্কে লাকপদা ফোন অদুম খিংদুনা লৈরম্বদুদা ঐনা রিসিপ্তু তৌবনে, লান্না খনবিগনু ইমা।

সনা তম্ফা :- ফরে ফরে হোরেল নোয়গী সার পারিহেনবদু হল্লক্লগা ইমানা ফোন তৌরক্লম্মী খরা হায়য়ুকো...।

হোইনু :- অহোয় ইমা শোয়দনা হায়জগে অদুদি ফোন থমজরগেকো...।

লৈশেম্বা :- করিনো মমা, নচানুপাগা ৱারী শান্নৌ হায়রগা নুপী অমগা ওইনা ৱারী শান্নরীদুবো?

সনা তম্ফা :- হো নচানুপাদু ফোন পুদুনা চৎপা ফাওবা কাওরমাল্লে, আ চীংনুংদা শা ফাবা মীওই ফারুনি হায়বরা কৈনো চৎখি হায় অদুনা হোইনুনা ফোন পাইরকপদুদা ঙহাক মাগা ওইনা ৱারী শান্নবনিদা।

লৈশেম্বা :- নচানুপাসে মশাগী থবক তৌরিবনি হায়দুনা ঐখোয়না পংথা থাদোক্তুনা থম্বসে অকায়বা ওইরক্কদবা মাল্লে অদুনা য়াম থুনা ইবানি মাগী থবক মফমদা চৎতুনা উনরুদবা য়াদরে।

সনা তম্ফা :- হোয়নে মদুনা চুমগদবা মাল্লে মোয়বাবা, ঐসু ইচাগী থবক মফমদু য়েংনিংদুনা লৈবনি, তান ফনদুম চারে খরা থুনা চৎনবা তৌরসি।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুংথিল, মফম: চীংনুং, পারিহেনবগী ক্বাটর, উচেক ৱায়া খোংবগী মখোল)

অঙম :- সার ! ঐদি নহান্দগী পুক্লিংসে অদুম নুংঙাইয়ু য়াদরে, খনজিনলুরগা সুম সুম হেন্না হেন্না নুংঙাইরক্তরে, ঐনা পাউ হান্না খজিক্তং ফংলল্লবদি মীওইদু ফাবা ঙল্লগদবনি।

পারিহেনবা :- থোইনা হেন্নসু খনজিনলুরনুদা, নোংমদি শোয়দনা মরান্না মপোৎ ফারবা মীওইদু শোয়দনা ঐখোয়গী খুৎতগী নাম্থোকপা ঙল্লোই, অনৌবা উ-চারাশিং অমুক থাজিল্লু হায়বদুদি থাজিনখ্রবরা।

অঙম :- থাজিনখরে সার, ঐনা শোয়দনবা লোয়না শিনখরে।

পারিহেনবা :- নহাল লাংদা থুরবা শজি মমা-মচা কনবিবা ঙমখিবদুমদি পুক্লিংসিদা নুংঙাইবা ফাওই, ঐখোয় মীওইবশিংসে ওন্থোক্লসু মীনুংশি লৈতে, মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহনলক্লিবসিসু ঐখোয়ননি, উমং-ৱামং কয়া ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংনা মরম ওইরগা নোংমা নোংমগী শক্তম কাইরক্লি।

অঙম :- মালেমসিগী উমংগী শরুকশিং কনবা হায়বসিনা, মালেমসিবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি সার অদুনা ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈদি উমং কন্নবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনজগনি।

পারিহেনবা :- অচুম্বনি অঙম নঙনা খল্লিবা ৱাখলদু, মালেমসিদা ফোশিল ফ্যুলশিং কয়লা, পেট্রোল, দিজলনচিংবশিং কল-করখানা অমদি হৱাগাড়ীশিংদা কা হেন্না শিজিন্নরকপদগী থাদোরকপা অপুনবা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং শরুক অহুম থোকপগী অমরোম হায়বদি চাওরাক্লা বিলিয়ন টন ২.৬ রোম উমংগী শরুকশিংনা চহি খুদিংগী চুপশিনলিবনি।

হোইনু :- (লাকপা) সার ! চা পুজরক্লে, চা থক্লসি, অঙম নঙগী চাসু লৈরে সিদা।

পারিহেনবা :- হোইনু ! নঙগা অঙমগনা ঐগীদমক হোৎনবীবশিগুম কনানসু হোৎনবীরোয়, নখোয় অনিনা ঐগী চানা থক্লবা, ফীশু ফীজাম হীরম খুদিংমক্তা য়েংশিনবীরি, ঐনা নখোয় মফমসিদা থেংনবসে ঐগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি।

হোইনু :- সার ! ঐখোয়দি চীংগী লমসিদা উমং-ৱামংদা তাংদুনা ইচম চম্না হীংজবা পুন্সিনি, অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা নুংশিননবা হীংবা পুন্সিদুনি ঐনা পামজরিবসিসু অদুদা ঐনা ঙমজবা খরদং সারগী মতেং পাংজবনি। ইহে ঐ সারদা ৱা অমা তমগে তৌরগা অদুম কাওদুনা তমদরে...।

পারিহেনবা :- এ ! করি ৱানোনে হোয়নু নঙনা তমগে হায়রিদুবো।

হোইনু :- সারনা, নহাল চীংনুংদা চৎকিবা নুমিৎতুদা সারহোয়গী ইমানা ফোন তৌরকলম্মী অদুদা ঐনা সারগী ফোনদু রিসিপ্ত তৌবনি, ইমানা ফোন তৌরক্লম্মী সারদা তম্মু হায়বনি, ঐ তম্বা কাওথোক্লুরবা।

লৈশেম্বা :- (মপান্দগী ঙাংবা) সনাতম্ফা ! সিদগী ক্বাটরসি ওইরমদৌ মাল্লি। ঐখোয় ইবুংঙোনা লৈরিবা ক্বাটরদু।

সনা তম্ফা :- উম মীনা তাক্লকপদুগা হায়রদি ওইরমদৌবা মাল্লি, অমুক্তা কৌরগা য়েংবীয়ু, ঐদি অঙম্বা চীং লম্বীসি কাখৎলকপদা শদৌগা লোয়না থোংলে।

লৈশেম্বা :- হো মী লৈবরো কৈনোমতা হংজগেবা... মী লৈবরো...।

অঙম :- সার মপান্দা মী লাকপা মাল্লি, করিনোমা হংবা মাল্লি।

হোইনু :- ঐ য়েংলুগে সার .... (থোরকপা)... কনা হংবীবনো...।

সনা তম্ফা :- সিবু দি এফ ও (দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার) পারিহেনবগী ক্বাটররা ইবেম্মা।

হোইনু :- মানি ইমা চংবিরকও, ইমাগা পাবুংগসে সারগী ইমা পাবুং ওইবিরবরা?

সনা তম্ফা :- মানিনে, নঙনা হোইনু নৎতবরা?

হোইনু :- মানি ইমা, সার ... সারহোয়গী ইমা-পাবুং লাকএ।

পারিহেনবা :- (থোরকপা) ইমা... বাবা... ওন্থোক্লা থাজদনা লাকইসিবু, হান্না পাও পীরকপা য়াদবরো।

লৈশেম্বা :- ইচাগী নাক্তা লাকনীংমনখ্রদুনা নমাগা ঐগা ফুক হৌগৎতুনা হেক্তা লাক্লবনি, পাও পীরকপগা লোয়না কাওরে।

অঙম :- সারহোয়গী ইমাগা পাবুংগা লাকপীবসে য়াম্না নুংঙাইজৈ ঐনা অঙমনি পাবুং, পাবুংগা ইমাগগী মীং খংজবা য়াগদরা।

লৈশেম্বা :- করিগী য়াদদগে, নমাগী মীংনা সনা তম্ফা অদুগা ইপাগীনা লৈশেম্বা কৌই ইবুংঙো।

হোইনু :- ইমা-পাবুং চা অশাবা অমতং থক্লগা ঙহাক পোত্থাবিয়ু লমশাং লাকপগী ৱারম্লগনি, ঐ চা লোনজরক্কে।

সনা তম্ফা :- লোনলকউ লোনলকউ, হাওনা থক্তোক্কে ইচানা লোনবা চা, ইচা হোইনুদি শক্লা শক ফজরিবা মরমনা মরম মোক্লিবা, অঙম নখোয় অনিনা ঐগী ইচানুপাসে চেকশিন্না য়েংশিনবা, শেন্নবীবসি উরগা ইমা নুংঙাইরে।

লৈশেম্বা :- পারিহেনবা ! ঐখোয়গী উমংগী ফীভমসিসু হৌজিক হৌজিকপু করম তৌরিবগে, উমংগী শরুকশিং অসুম অসুম মাংশিনলক্লে হায়নরিবসিবু করম তৌবজাৎনো ইবুংঙো।

পারিহেনবা :- বাবা ! ইং ১৯৮৭ তগীনা ইং ২০১৫ ফাওবগী মনুংসিদা ইং ২০০১ ফাওবদি ভারতকী উমংগী শরুকশিং অসি অসুম অসুম হন্থরক্লম্মী অদুবু ইং ২০০১ গী মতুংদদি উমংগী শরুক অসি অমুক তপ্না তপ্না হেনগৎলক্তুনা ইং ২০১৫ দদি ভারতকী অপুনবা উমংগী শরুক অসি স্কার কিলোমিটর ৭,০১,৪৯৫ (লাক্ষ তরেৎ লিশিং তরামরি মরিফুতরামঙা) ওইরে অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোন্টমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইং ২০১৭ ফাওবদদি ভারতকী উমংগী শরুক অসি ইং ২০১৫ তা লৈরম্বা চাং অদুদগী স্কার কিলোমিটর ৬,৭৭৮ (লিশিং তরুক চাতরেৎ হুম্ফুতরানিপাল) হেনগৎতুনা স্কার কিলোমিটর ৭,০৮,২৭৩ (লাক্ষ তরেৎ লিশিং নিপাল চনি হুম্ফুতরাহুমদোই) ওইরে হায়না হায়রি।

অঙম :- পাবুং, মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ২৫রোম হায়বদি চাওরাক্লা মীওই বিলিয়ন ১.৬ রোমদি উমং ৱামংগী শরুকশিংদা লৈদুনা উমংগী পোৎথোকশিংদা তাংদুনা লৈরিবনি, অদুনা হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী উমং-ৱামংগী শরুকশিংদা অমাংবা কয়া থোরক্লিবসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌ ওইরবনি।

হোইনু :- ইমা-পাবুং চা লৈজরে, সার চা লৈজরে, অঙম নঙগীসু চা লৈরে, ইমা ঙসিসিমা ফজনা পোথারগা হয়েংদি ঐখোয় ইরমদমগী পুক্লিং হুনা নীংথিজরবা উমংগী শরুকশিং অসি য়েংবা চৎলুসি।

সনা তম্ফা :- উম য়েংলুসি, ইমানা থওইনা মফমসিদা লাক্লিবসে শিরুই চীংদোন মতোন লোমনা কাদুনা শিরুই লিলি শাৎপা য়েংগে লাক্লিবনিনে।

লৈশেম্বা :- নঙবু চীংদোল য়ৌনবু কাবা ঙমজগদরনে, লমখাংদগী কাবা ঙল্লরোই কুল্লসিগা হায়রকপদি য়ারোইকো।

সনাতম্ফা :- হায়রোয় হায়রোয়, ঐনা থোকপা ঙম্লবা অদুম চীংদোল লোমনা কাগনি, ঐসু মীনি কৈনো, ঙমগে খল্লবদি লোয়না ঙম্বনি।

লৈশেম্বা :- ফৈ ফৈ য়েংনবা তারেদনা...।

-ম্যুজিক-